# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 20-03-2024)

**অসাম(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা কামজোং জিলাদগী লুপা কোতি ১৫৯ লোমগী ক্কা মরু অমসুং লুপা কোতি মরি লাখ ৮৮ লোমগী উ ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙমখৈ লান্না আইননা য়াদবা মওংদা ক্কা মরু অমসুং উ পুথোক পুশিন তৌবগী অককবা পাউশিং ফংবদগী জিলা অসিগী কাংপাৎ সেন্টর অমসুং কাংপাৎ খুনৌদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা ক্কা মরু অমসুং উ পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নরম্বা ত্রক ১৩৯ ফাগৎখি। থিবা হুম্বগী থবক অদুদা ক্কা মরু বোড়া লিশিং ১৫,২৩০ ফাগৎখি। মসিগী মমল চাউরাকা লুপা কোতি ১৫৯ লোমনি হায়রি। মসিগী মথক্তা উ সি.এফ.পি. লিশিং ৫০,৬০৩ সু ফাগৎখি। মসিগী মমলনা চাউরাকা লুপা কোতি মরি লাখ ৮৮ রোমগী ওইগনি হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু আইনগী ওইবা মখা তাবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক কামজোং ফোরেষ্ট বিট ওফিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**কোম্বিং(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পৌরাবি এরিয়াদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিং, লমলাই পুলিস ষ্টেসন অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

চাউরাকা য়ুম ১৫০ রোমদা চংদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবগা লোয়ননা মীওই ৬৫০ রোমসু ভেরিফাইদ তৌখি। অদুমওইনমক, থিবা হুম্বগী থবক চথবা অদুদা আইননা য়াদবা পোৎলমশিং অমসুং মীওই অমত্তা ফাবগী পাউদি লৈতে।

**ৱেবসাইট(এল)ঃ** চীফ মিনিস্তরস ওফিসকী ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট

সি.এম. মনিপুর দোট. জি.ও.ভি. দোট ইন অসি মীখলগী মোদেল কোর্ড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মতম খরগী ওইনা সসপেন্দ তৌখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা ফোংনরিবা অদু অরানবনি হায়রি।

রাজ্যগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা করিগুম্বা ইন্সত্রক্সন অমত্তা পীরকখিবা লৈতে। মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট চৎনরকপদগী ৱেব সাইট অসি মতম খরগী ওইনা ভোলুন্টরেরি সসপেন্দ তৌজবনি। মিদিয়া বোদিশিংনা চুমদবা পাউশিং ভেরিফাইদ তৌদনা ফোংলবদি আইনগী ওইবা দরকার ওইবশিং লৌখৎকনি হায়খি।

**মীতিং(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ফেরজোল জিলাগী ওইনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-অসিস দাসনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসারশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট মপুং ফানা চৎনহন্নবা, য়ু ফাগৎনবা অমসুং সেক্যুরিতি এরেঞ্জমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**নোনে(এল)ঃ** হৈ-রা থাবগী থবক হেনগৎহনদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে. তমেংলোংনা হৌখিবা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা তোঙান তোঙানবা ত্রেন্নিং মখল মঙা ঙরাং মায় পাকা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং অদুদা লৌমী ২৫০ রোমা শরুক য়াখি হায়রি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং কলেজগী মল্টি পরপজ হোলদা ঙরাং নোংমগী ওইবা কেরিয়ার গাইদেন্স প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা সিভিল সার্ভিসেস ইগজামশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইগজামশিং কমদৌনা থাগনি হায়বগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**কন্দোল(এল)ঃ** য়ুনিভরসিতি ওফ সনামহি কলচরগী ফাউন্দর চেয়ারমেন ওইরম্বা অমসুং মীতৈ ইনাৎ হিংগৎ ইহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ওজা সাইরেম নিলবিরনা লৈখিদবদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

দি.এম. কলেজ ওফ কম্মর্সকী প্রিন্সিপালসু ওইরম্বা অমসুং ইনাৎ লাইনিংগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়া ইরম্বা ওজা নিলবিরনা লৈখিদবদা লমলোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**লোক সভা ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মথং থাগী ১৯ দা ভোট থাদনগদবা মনিপুর য়াওনা অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৪ গী লোক সভা সিট ১০২ দা মীখল পাঙথোক্কনি।

মসিগী মনুংদা তামিল নাদুগী সিট ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেসকী ৮, মধ্য প্রদেসকী তরুক, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাস্ত্রগী সিট মঙা-মঙা, বিহারগী মরি, নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহুম, অরুনাচল প্রদেস, মনিপুর অমসুং মেঘালয়দা সিট অনি-অনি অমসুং ছাতিসগর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, জম্মু অমসুং কাশ্মির, লক্ষদিপ অমসুং পুদুচরিগীনা সিট অমমম য়াওরি।

তাঙ্কক অসিগী মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগা ২৭ ফাওবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী ভুটান খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। শ্রী মোদিবু ভুটানগী নিংথৌ-জিগমে খেসার নময়েল ৱাংচুক অমসুং ভুটানগী মরিশুবা নিংথৌ জিগমে সিংয়ে ৱাংচুকনা হরাও তয়ামা ওক্কনি।

শ্রী মোদিনা ভুটানগী প্রধান মন্ত্রি-সেরিং তোবগেগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি।

**গেমসঃ** নাগালেন্দদা চথরিবা অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসকী মেদল টেল্লিদা মনিপুরনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ৬, লুপাগী মরি অমসুং শেঞ্জেংগী তরুক পুন্না তকমান ১৬ ফংদুনা অনিশুবদা লৈরি।

নাগালেন্দনা সনাগী ৮, লুপাগী মঙা অমসুং শেঞ্জেংগী মরি পুন্না তকমান ১৭ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সনা লৈবাক্তা-কুমজা ১৯৬১ গী মতুংদা চঙলকপা কুকিশিং য়েলহৌমী ওইহনখিদ্রে, মনিপুর লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থবক্তি হৌজিকসু উবা ফংদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-মিনিষ্ট্রিনা লোক্তাপাৎকী ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান অয়াবা পীরক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরদা সিভিল সার্ভিস প্রিলিম একজামগী সেন্টর পীবদা খুদোং চারোই হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-লোক সভা মীখলগী রিভিয়ু মীতিং পাঙথোকখ্রে। লাঞ্জেন্নরিবশিংগী স্পিসিএল পোল্লিং ষ্টেসন হাংননবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা

লামাইদা ফোংলি, লোক্তাক পাৎতা ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান পায়খৎপগী অয়াবা পীরক্লে, থৌশিল অসিনা লোক্তাক পাৎ কনবদা মতেং ওইরগনি হায়না লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-আউটর কংগ্রেস মীরেপ ওইগদবা অলফ্রেদ কানঙম ইলেক্সন মীতিংদা অমুক্কসু নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, মনিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক্তসু ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্তা-এম.পি.এফকী ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি, বি.জে.পিগা কংগ্রেসগসু লাউথোক্ত্রি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরগী ওইনা মপান্দা ইগজাম পাঙথোকবা দিল্লি হায় কোর্টনা ওবজার্বেসন পীখ্রে অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী অয়াবা য়াওরগা ভোটর লিষ্টতা চনশিনখিবনি হায়না পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সি.ই.ও, পি.গে. ঝানা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার অমদি এস.পিশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোরনিং বেলদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতিনা ফোক্সকী প্রসিদেন্টকী য়ুমদা বোম থল্লম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মীচমদা অসাম রাইফলসনা নোংমৈ কাপ্পা য়ানিংদে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা সেন্টরগী বি.জে.পি. লিদরশিংনা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর-এন. বিরেনবু এম.পি. ওইনা

লম্বা থেংনহন্নিংই হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। চাম পাউ-চেদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।